

# মালেমগী খ্বাইদগী ইনাক খুনবা লৈবাকশিংগী মনুংদা মমিং লৈরবা দুবাইগী অরং-অরাক্কী মরক্তা লোন্ন-থুপ্না শকহেনবী নুপীশিংবু ওৎ-নৈবগী থবক চথরম্লে : রিপোর্ট





দুবাই, জুলাই ০২ (এজেন্সি) :

মালেমগী খ্বাইদগী ইনাক খুনবা লৈবাকশিংগী মনুংদা মমিং লৈরবা দুবাইগী অরং-অরাক্কী মরক্তা য়ান্না লোন্ন-থুপ্না কনা খঙহন্দনা শকহেনবী মোদেল নুপীশিংবু ওৎ-নৈবগী থবক পাকশন্না চথরম্লে হায়না রিপোর্ট অমনা ফোঙদোরক্লি।

রিপোর্ট অসিগী মতুং ইন্না ইনাক খুনবদা মমিং লৈরবা অতিয়া পক্কা ৱাংলবা ফুরা-দলানশিং, লগজরি কারশিং, ৫ষ্টার হোটেলশিং অমদি মালেমগী মমিং লৈরবা শক্লাইরবা মীওইশিংনা লৈরিবা লৈবাক দুবাইদা নোংমা কাংদনা চথরিবা পার্টিশিংদা শরুক য়ারিবা মালেমগী শকহেনবী মোদেলশিংবু অচৌবা মঙলান কয়া উহন্দুনা ওৎপা নৈবতা নৎতনা অরানবা লম্বীদা চৎহল্লম্বগী থৌদোক কয়া থোক্লি হায়রি।


দুবাইগী লৈঙাক ফাওবা খঙহন্দনা য়ান্না অরোনবা মওংদা লৈবাক অসিগী মফম কয়াদা পোর্টা-পোটি হায়না খঙনবা পার্টি চথনৈ। পার্টি মখল অসিদা মালেমগী শক্লাইরবী মোদেল কয়া শরুক য়াহন্দুনা অৱাংবা থাক্কী মঙলান উহনবগা লোয়নন্না শেল থাদদুনা নুপীশিং অদুবু নমদুনা ফিজিকেল রিলেসন থমহনবা অমদি মশা খঙহন্দনা ময়াইকাবা চিঙ্গাক পীজদুনা অতোপ্পা মীওইশিংগা লোয়নহনবগী থৌদোক কয়া থোকপদগী লৈবাক অসিদা অরোনবা মওংদা ক্রাইমগী চাং হেনগৎলকখ্রে। অদুবু অরানবা থৌওংশিং অসি লৈবাক মাঙদা উহন্দনা মনুংদা অদুমক শেলনা মচিন মেনখিবনা অয়াম্বনি হায়রি।

ঙসি ফাওবদা দুবাইদা অসিগুম্বা কেস অমত্তা ফোঙনা থোকই হায়বগী পাউ মীয়াম্না পাক তান্নদ্রি। অদুবু মালেমগী লৈবাক কয়াদগী লাক্লিবা শেঞ্জাও পায়বশিংনা শকহেনবী মোদেল নুপীশিংবু মখোয়গী লাংদা থুহনবগী থবক্তি অদুমক চথুদুনা লাকখিবনি। লোয়নন্না মোদেলশিং অদুগী মথক্তা মীওইবগী লিচৎ নৎতবা শাজৎ কয়ামসু চৎতুনা ওৎ-নৈ হায়বগী পাউ লাক্লি। অসিগুম্বা নৎতবা শাজৎকী চৈথেং ফংখ্রবী নুপীশিংনা লৈবাক মাঙদা ফোঙদোক্লবা হোৎনরকখিবদা নুপী কয়া অমদি অদুমক মফম খঙদনা মাঙখিবসু য়াওদবা নৎতে হায়রি।

অসিগুম্বা অরানবা থৌওং কয়া য়ান্না লোন্না থুপ্না দুবাইদা চথরি হায়বা খঙলবসু ঙসিসু অদুমক লেপ্পা লৈতনা মালেমগী শেঞ্জাও পায়বা মীওইশিং অমদি শক্লাইরবী মোদেলশিংগী য়ান্না পাম্বা মফম অমা ওইরি।

হৌজিকসু দুবাইদা অনৌবা মখলগী প্রোজেক্ট কয়া পায়খৎতুনা মালেমগী লৈবাকশিংদা পাক লৈতবা খুদোঙচাবা কয়া লৈহনবগা লোয়নন্না অরং অরাক্কী মালেমদা পুক্লিং হুহন্দুনা দুবাইদা লাক্লিংবগী ঈহুলদি অদুমক ফাওহন্নবা হোৎনরি। তশেংবমক্তি লৈবাক অসিদা অসিগুম্বা মীওইবগী লিচৎ নৎতবা শাজৎ চৎপা লোনা শুকয়ামক য়াদবনি হায়রি।

## ‘দুবাইগী অশেংবা শাজৎতা মারিয়াগী থৱায় মাঙখি’



দুবাই, জুলাই ০২ (এজেন্সি) :

দুবাইদা শকহেনবী নুপীশিংগী মথক্তা মীওইবগী লিচৎ নৎতবা শাজৎ কয়া চৎলি হায়বগী অশেংবা ময়েক লারবা খুদম অমা হায়রগদি য়ুক্রেনগী শুপ্নগী চহী ২০ খক্তা ঙাইরিবী মোদেল মারিয়া কোৱালচুকসু অমনি। মারিয়া দুবাই য়ৌখিবগা থংনবা নুমিৎকী অয়ুক্তা য়াংলেনগী শরু তেক্লম্বগা লোয়নন্না হকচাংগী কয়াৎ কয়াদা ওৎ-নৈবগী মমি লৈরম্বগা লোয়নন্না দুবাইগী লম্বীগী মতায় অমদা মহাক্কী অশিবা হকচাং তাদুনা লৈরম্বা থেংনখিবনি হায়নসু রিপোর্ট অসিনা ফোঙদোরক্লি।

## ওহিও প্লেন ক্রাসতা মীওই ৬ লৈখিদ্রে

য়ংসটাউন, জুলাই ০২ (এজেন্সি) :

ওহিও প্লেন ক্রাসকী য়ান্না লায়বক থিবা থৌদোক অমদা ইমুং অমগী মীওই ৪ য়াওনা পূন্না মীওই ৬ শিখ্রে। লায়বক থিবা থৌদোক অসি মোন্তানা হায়রিবা মফম অসিদা ইমুং অমগী মীওই ৪ কোয়বা লাকখিবনি। অদুবু ইখঙ খঙহৌদনা ৱেদরগী ফিভম ফৎচিলক্তবদগী অপীকপা মখলগী প্লেন অদু কায়খিবনি। ৱেষ্টর্ন রিজার্ব পোর্ট ওথোরিটিনা হৌজিক ফাওবগী মনুংদা থৌদোকসিগী মতাংদা চপ চানা ফোঙদোরকপা লৈত্রি।

## শৈখ হসিনা থা ৬ জেলদা লৈনবা কোর্টনা চৈরাক পীখ্রে



ধাকা, জুলাই ০২ (এজেন্সি) :

বাংলাদেশকী হান্নগী প্রাইম মিনিষ্টর শৈখ হসিনা ধাকাদা লৈবা ইন্টরনেসনেল ক্রাইমস ট্রাইবুনেল (আই সি টি)না কোর্টকী চৎন-কাংলোন ঙাক্লা চৎতে হায়বগী মরালদা থা ৬ জেলদা লৈনবগী চৈরাক পীখ্রে হায়রি।

আই সি টি-১গী বেঞ্চকী জষ্টিস মোহমদ গোলাম মোরতুজা মজুমদারনা শৈখ হসিনদা চৈরাক পীখিবনি। পনবা য়াবাদি শৈখ হসিনাগী লৈঙাক তুখ্রবা মতুংদা হৌজিক হৌজিক বংলাদেশতা লৈঙাক শাশন তৌরিবা মোহমদ য়ুনুসকী ইন্টরিম গভর্ণমেন্টনা শৈখ হসিনগী মথক্তা পূন্না কেস ২২৭ লোম থাঙ্গৎখিবা লৈখ্রবনি।

## য়ামেনদা বোম্বর প্লেন বি-২না লান্দাবা য়াই হায়না মাইকনা অকি অখঙ পীখ্রে

ৱাসিংটন, জুলাই ০২ (এজেন্সি) :

য়ু এসকী এম্বাসেদর মাইক হকবিনা য়ামেনদা অকি অখঙ পীরদুনা বোম্বর প্লেন বি-২না লান্দাগনি হায়না অকি-অখঙ পীখ্রে হায়রি।

পনবা য়াবদি য়ামেনদা লৈরিবা হুতি লালহৌবশিংগা চহী কয়াগী মাঙদগী আমেরিকাগী মিলিটরিশিংগা মুক্নদুনা লাকখিবনি। হুতিশিংনা রেদ সিদা দিপ্লোয় তৌদুনা লৈরিবা আমেরিকাগী লানগী জহাজশিংদা মিসাইল কাপশিন্দুনা লান্দাদুনা লাকখিবনি। মদুগী পাউখুম পীবা ওইনা য়ু এসকী মিলিটরিনসু য়ামেনদা লৈরিবা হুতিগী কেম্পশিংদা এয়ারষ্ট্রাইক কয়ারক চথুদুনা লান্দাখ্রবনি। হুতি অমদি য়ু এসকী মিলিটরি অনিগী মরক্তা লান্দানরিবা অসি ইজরেল অমদি হামাসকা শোক্লরিবা লানদা আমেরিকানা ইজরেলদা শৌগৎলি হায়দুনা হামাসকী মীচং চংদুনা লান্দাবা হৌরকখিবনি হায়রি।

## সহবাজ সরিফনা গ্বাদর পোর্টকী থবক হৌহনখ্রে



ইস্লামাবাদ, জুলাই ০২ (এজেন্সি) : পাকিস্তানগী প্রাইম মিনিষ্টর সহবাজ সরিফনা অচৌবা ফিরেপ অমা লৌবগা লোয়নন্না মালেমগী লৈবাকশিংদা লল্লোন ইতিক্কী লমদা হেন্না খূৎমাঙ চাওশিনবা ঙন্নবা গ্বাদর পোর্টতা পাকশন্না থবক পায়খৎপা হৌহনখ্রে হায়রি।

দোনগী রিপোর্টকী মতুং ইন্না পাকিস্তাননা গ্বাদর পোর্টতা পায়খৎলক্লিবা থবক থৌরমশিং অসিনা মরম ওইরগা চাইনা অমদি ইন্দিয়ানচিংবা লৈবাকশিংদা লল্লোন ইতিক্কী লমদা অচৌবা চৈথেং কয়া পীরকপা য়ানা লৈরি।

গ্বাদর পোর্টকী থবক পাকথোক চাওথোকহল্লকপা অসিনা মালেমগী লৈবাকশিংনা পাকিস্তানগা লল্লোন ইতিক্কী লমদা হেন্না খূৎমাঙ চাওশিনবা হায়বদু ওইরগনি। গ্বাদর পোর্ট হায়রিবা মফম অসি ইরানগী চাবহার পোর্টকা শুপ্নগী কিলোমিটর ১৭০ খক লাপ্পবা মফম অমনি হায়নসু রিপোর্ট অসিনা মখা তানা ফোঙদোক্লি।

## দলাইলমাগী মথংগী মপোক চাইনা গভর্ণমেন্টকী অয়াবা য়াওদনা পোকপা য়ারোই হায়না চাইনানা ফোঙদোরকখ্রে

বৈজিং, জুলাই ০২ (এজেন্সি) :

মালেম শিনবা থুংনা লাইনিং লাইশোনগী লমদা অৱাংবা থাক্কী ইকায়খুম্নরিবা দলাইলমাগী মথংগী মপোক চাইনা গভর্ণমেন্টকী অয়াবা য়াওদনা পোকপা য়ারোই হায়না ফোঙদোরকপদগী দলাইলমাবু শৌগৎপা মীওইশিংনা চাইনাগী ৱাফম অদুবু য়ানিংদবা ফোঙদোকপগা লোয়নন্না খমথেংনা শাওনখ্রে হায়রি।



পনবা য়াবদি চাইনা গভর্ণমেন্টনা দলাইলমাগী মতাংদা ফোঙদোরক্লিবা ৱাফম অসি নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা দলাইলমানা মহাক্কী মথংগী মপোকতা অনৌবা দলাইলমা অমা লাক্কদৌরিবা অসি চাইনা লৈবাক্কী মপান্দগী ওইগনি হায়না হেক ফোঙদোরকখিবগা লাকখিবনি।


লোয়নন্না দলাইলমানা মহাক্কী মহুৎ শিলহৌগদবা মীওইগী মশক খঙবা অমদি মদুগী রাইট পিবা হায়বসি ইন্দিয়াদা লৈরিবা ‘গদেন ফোদ্রাং ট্রষ্ট’কী ওইগনি হায়নসু ফোঙদোরকখিবনি। দলাইলমাগী অনৌবা মপোক অমগা লোয়নন্না ফম অসিদা লাক্কদৌরিবা মীওই খনবা হায়বসিদা অতোপ্পা চাইনাগুম্বা লৈবাক্লা খূৎ থিংজিলকপা য়ারোই। চহী ৯০ শুরবা দলাইলমা অহল ওইশিল্লকপনা মরম ওইরগা মতম অমদা হেক্তা তাইবংপান থাদোকখিবা য়ানা লৈরকখিবনি হায়রি।

## য়ুক্রেনগী দ্রোন এটেকতা ৩ শিখ্রে ৩৫না চাওনা অশোক অপন নংখ্রে

মোস্কো, জুলাই ০২ (এজেন্সি) : চহী ৩ হেন্না য়ুক্রেন অমদি রসিয়া লৈবাক অনিগী মরক্তা শোক্লদুনা লাক্লিবা লান অসিগী মনুং চন্না হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা য়ুক্রেননা চথুখিবা দ্রোন এটেকতা রসিয়াগী কোনুং মোস্কোদা মীওই ৩ শিখিবগা লোয়নন্না ৩৫রোমনা চাওনা অশোক অপন নংখ্রে হায়রি।

রিপোর্ট অসিগী মতুং ইন্না য়ুক্রেননা চথরকখিবা দ্রোন এটেক অদুগী চপ চাবা পাউখুম পীরদুনা রসিয়ানা থাজিল্লকখিবা দ্রোন ৫২ রোমসু য়ুক্রেনগী মিলিটরিশিংনা কাপথদুনা মাঙহনখি। য়ুক্রেন অমদি রসিয়াগী লান দোনাল্ড ট্রম্পনা লোইশিন্নবা হোৎনদুনা লাক্লবসু লান অসি নোংমা নোংমগী অসুমক কনবা হেনগৎলক্লি হায়রি।

## Crossword # 754



Across
1. Hen products
5. Capital of Norway
9. Angels' headwear
14. True
15. Stretch across
16. Mud brick
17. Feed the kitty
18. Admission
20. Noticed
21. Eager
22. Fishing aid
23. Small arrow
25. Mild exclamation
27. Appraise
30. Contend
35. Sound loudly
36. Coastal bird
37. Show concern
38. Chunk of eternity
39. Feeling guilt
42. Not cooked
43. Lug
45. Very small
46. Act the ham
48. Most thinly scattered
50. Kitchen gadget
51. Browning's "always"
52. Run easily
53. Bro's sib
56. Wanted
59. Retained
63. Unfriendly
65. Building wings
66. Frighten
67. Own
68. Smack
69. Loathed
70. Spanish cheers
71. Sunbathes
Puzzle Grid

Down
1. Epochs
2. Kelly or Autry
3. Fence entrance
4. Skinny
5. Hollywood awards
6. Tennis, e.g.
7. Come ashore
8. Formerly
9. Hurry
10. Commercials
11. Pork cut
12. Wind instrument
13. Dispatched
19. Diesel ____
24. Sailing
26. List ender (abbr.)
27. Helps a crook
28. Sailboat
29. December visitor
30. Signified
31. Military branch
32. Baseball great Hank ____
33. Furious
34. More modern
36. That's opposite
40. Hi-fi system
41. Johnny ____ of "Finding Neverland"
44. Browning's "before"
47. Most timid
49. Perceived
50. Scads
52. Take off
53. Window frame
54. Peruvian Indian
55. RBI, e.g.
57. Yodeler's feedback
58. Radio tuner
60. ____ Fitzgerald of jazz
61. Blueprint
62. Recipe abbr.
64. Great wrath

পাউখুম লমায় ৯দা

## দোনাল্ড ট্রম্পগী মমৌনুপী লরা ট্রম্প সিনেটর ওইরকপা য়ানা লৈরে



ৱাসিংটন, জুলাই ০২ (এজেন্সি) :

আমেরিকাগী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পকী মমৌনুপী লরা ট্রম্প নোর্থ কেরোলিনাগী সিনেটর ওইরকপা য়ানা লৈরে হায়রি।

রিপোর্ট অসিগী মতুং ইন্না লরা ট্রম্প নোর্থ কেরোলিনাগী সিনেটর থোম টিলিসকী মহুৎতা থল্লকপা য়াই।

দোনাল্ড ট্রম্পনা মমৌনুপী লরা ট্রম্পবু থাগৎলদুনা মহাক য়ান্না হৈশিংবী অমদি মরমদম আমেরিকাবু নুংশিজবা মীশক অমনি। করিগুম্বা মহাক্না নোর্থ কেরোলিনাগী সিনেটর ওইবা পাল্লবদি মথং চহীদা পাঙথোক্কদৌরিবা সিনেটরগী মীখলদা শরুক য়াহনগনি হায়না ট্রম্পনা পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবনি হায়রি।

পনবা য়াবদি লরা ট্রম্প হায়রিবা নুপী অসি দোনাল্ড ট্রম্পকী মচানুপা ইরিক ট্রম্পকী নুপীনি। লরা ট্রম্প আমেরিকাগী শক্লাইরবী সেলেব্রিটি অমসুনি হায়রি।

## ইরানগী প্রসিদেন্ট মসুদনা ন্যুক্লিয়াগী খূৎলায় শারগনি লাউথোরকখ্রে

তেহরান, জুলাই ০২ (এজেন্সি) :

আমেরিকা অমদি ইজরেলনা ইরানদা ন্যুক্লিয়ারগী খূৎলায় লৈবা য়ারোই হায়দুনা বি-২ বোম্বর প্লেন শিজিন্নদুনা বঙ্কর বষ্টর বোম থাদদুনা ইরানগী ন্যুক্লিয়ার প্লান্ট ২ থুগাইখ্রবসু লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্ট মসুদ পেজেসকিয়াননা ন্যুক্লিয়াগী খূৎলাই মখাতানা শাবগী থবক তৌগনি হায়না লাউথোরকখ্রে।

মসুদ পেজেসকিয়ানা ন্যুক্লিয়ারগী খূৎলাই শাগনি হায়না লাউথোকরপগা লোয়নন্না ন্যুক্লিয়ার খূৎলাইগী মতাংদা লোয়নন্না ইন্টরনেসনেল এটোমিক এজেন্সি (আই এ ই এ)গা থন্নরমবা এগ্রীমেন্ট ফাওবা তোল্লগনি হায়না ফোঙদোরকখিবনি।

ৱাফম অসি হেক তাবগা আমেরিকাগী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্প অমদি ইজরেলগী প্রাইম মিনিষ্টর বেঞ্জামিন নেটান্যাহু ইরানদা মখাতানা করম্বা এটেক চথুগদগে হায়বগী মতাংদা খন্নবা হৌখ্রে হায়রি।

পনবা য়াবদি হন্দক আমেরিকানা মতিক ময়াই লৈরবা বঙ্করবষ্টর বোম ইরানদা থাদদুনা ন্যুক্লিয়ার প্লান্ট থুগাইনবা হোৎনখ্রবসু ন্যুক্লিয়ার খূৎলাই শাবদা তঙাইফদনা শিজিন্নবা য়ুরেনিয়ম কিলো ৪০০ রোম ইরাননা য়ান্না হৈনা শিংনা লোৎতুনা কনবা ঙমহৌখিবনি হায়নসু রিপোর্ট অসিনা মখা তানা হায়রি।

## চাইনানা ফেটিয়ান-২ পুথোকখ্রে

বৈজিং, জুলাই ০২ (এজেন্সি) : হায়পরসোনিক মিসাইলগী লমদা মালেমগী লৈবাকশিংবু মায়থিবা পীরম্লগা খ্বাইদগী এদভান্স ওইরবা ফেটিয়ান-২ হায়না খঙনবা হায়পরসোনিক ভেহিকল অমা মায় পাক্লা পুথোকপা ঙমখ্রে হায়রি।

অনৌবা মখলগী ফেটিনয়ান-২ হায়পরসোনিক ভেহিকল অসিদগী মতিক ময়াই লৈরবা মিসাইল কয়া য়েক্লবা লৈবাকশিংদা অতৎ-অখম লৈতনা য়ান্না লায়না লান্দবা ঙম্লগনি। চাইনানা অসিগুম্বা মখলগী খূৎলাই অমা পুথোকখ্রে হায়বা পাউ তাবদা আমেরিকাগী লুচিংবশিংদি তুম্বা য়ানখিদ্রে হায়রি।

## এস-৫০০ ইন্দিয়ানা লৈররোই

মোস্কো, জুলাই ০২ (এজেন্সি) :

রসিয়াগী মতিক ময়াই লৈরবা এয়ার দিফেন্স সিষ্টেম এস-৫০০ ইন্দিয়ানা লৈনবা থৌরাংলম্বা অদু আমেরিকানা প্রেসর পীরকপদগী লৈদবা য়ানা লৈরে হায়রি।

ইন্দিয়ানা মতম পূম্বদা আমেরিকা অমদি রসিয়া লৈবাক অনিগা অফবা মরী থন্নবা হোৎনদুনা লাকখিবনি। করিগুম্বা ইন্দিয়ানা রসিয়াদগী এস-৫০০ লৈরগদি আমেরিকাগা লৈনরিবা মরী ফৎলক্লোইদ্রা হায়বগী অকিবা চাওনা লৈরকপদগী অতোপ্পা লম্বী অমা ইন্দিয়ানা থিবা হৌরকখিবনি।


## নেপালদা নোং কন্না চুবদগী ৩১ শিখ্রে

কাথমান্দু, জুলাই ০২ (এজেন্সি) :

হৌখিবা নুমিৎ খরনি অসিগী মনুংদা নেপালদা অকনবা মওংদা নোং চুবদগী লৈবাক অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থোকখিবা লায়বক থিবা থৌদোকশিংদা পূন্না মীওই ৩১ রোম শিখ্রে। লোয়নন্না মীওই ১৫১ রোমনা চাওনা অশোক অপন নংখিবনি হায়রি।

হৌজিক হৌজিকসু নেপালগী মফম অয়াম্বদা অকনবা নোংলৈ নুংশিৎকা লোয়নন্না নোং চুবদগী অৱাবা চাওনা মায়োক্লরিবা মীওইশিং হেলিকোপ্টর শিজিন্নদুনা মী কনবগী থবক য়াম্না কন্না চথুরি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।

## দোনাল্ড ট্রম্পনা হান্নগী প্রসিদেন্ট জো বাইদেনবু মচিন থিদুনা চৈ-থাঙখ্রে



ৱাসিংটন, জুলাই ০২ (এজেন্সি) :

আমেরিকাগী প্রসিদেন্ট দোল্ড ট্রম্পনা লৈবাক অসিগী হান্নগী প্রসিদেন্ট জো বাইদেনবু হুন্দুনা ঙাং শকখিবতা নৎতনা মচিন থিদুনা চৈ-থাঙখিবগী থৌওংবু লৈবাক মীয়াম্না প্রসিদেন্ট অমগী শাজৎ নৎতে হায়না পেন্দবা ফোঙদোক্লরকখ্রে।

পনবা য়াবদি দোনাল্ড ট্রম্পনা আমেরিকা অমদি চাইনা লৈবাক অনিগী মরক্তা হৌজিক হৌজিক মরী ফৎতনা লৈরিবা অসি জো বাইদননা থোকহল্লম্বনি হায়নসু চাওনা মরাল শীখিবনি। লোয়নন্না দোনাল্ড ট্রম্পনা আমেরিকাগী হান্নগী প্রসিদেন্ট জো বাইদেননা প্রসিদেন্ট ওইরিঙৈ মতমদা মহাক্কী মচানুপা য়াওনা মীওই কয়াগী মথক্তা লৈরম্বা অচৌবা কেস কয়া ঙাকপিখিবা অদুগী মতাংদসু অমুক হন্না থিগৎনবা ওর্দর থোকখ্রে। জো বাইদেননা প্রসিদেন্ট অমা ওইবগী রাইটশিং অদু অরানবা মওংদা শিজিন্নখি হায়নসু ট্রম্পনা ফোঙদোকখি হায়রি।

## মুস্লিম লৈবাক কজখষ্টানদা বুরকা অমদি হিজাব থিংখ্রে

কজকষ্টান, জুলাই ০২ (এজেন্সি) :

মুস্লিম লৈবাক অমা ওইজরবসু কজখষ্টান লৈবাক্তা অনৌবা ওর্দর অমা ওইনা লৈবাক অসিদা লৈরিবা নুপীশিংনা বুরকা অমদি হিজাব শেৎ-ইনবা য়ারোই হায়না অথিংবা থমখ্রে।

পনবা য়াবদি মালেমদা লৈরিবা ইস্লাম লাইনিং লাইশোন চৎপা লৈবাকশিংদা লৈরিবা নুপীশিংনা বুরকা অমদি হিজাব শেৎ-ইনবা হায়বসি তঙাইফদবা ওইহন্দুনা লাকখিবনি। অদুবু কজখষ্টান হায়রিবা লৈবাক অসিগী ওইনদি গভর্ণমেন্টনা নুপীশিংগী মায়থোঙ খুমজিন্দুনা চৎপগী মায়োক্তা লৈবাক অসিগী চৎনবী অমদি মমা লৈবাক নুংশিবদা য়ূমফম ওইবা ফিজোল শেৎপনা হেন্না ফগনি। মদুনা লৈবাক অসিগী ইন্টিগ্রিট্রিদা চাওনা কান্নবা ওইগনি হায়খিবনি।

## নুমিৎ ৬০নিগী সিজফয়ার তৌনবা য়ানা লৈরে

ৱাসিংটন, জুলাই ০২ (এজেন্সি) :

মীওই লিশিং কয়া শিখিবগা লোয়নন্না মীওই লাক্ষ কয়ানা অশোক অপন নংখিবতা নৎতনা পাকশন্না অমাঙ অতা থোকখ্রবা মতুংদা ইজরেল অমদি হামাস অনিগী মরক্তা নুমিৎ ৬০নিগী সিজফয়ার তৌনবা য়ানা লৈরে হায়না আমেরিকাগী প্রসিদেন্ট দোনাল্ড ট্রম্পনা লাউথোরকখ্রে।

গাজাগী লান লোইশিন্নবা মমাঙথক্তসু তাঙ্কক কয়া থোক্লা হামাস অমদি ইজরেলগী মরক্তা ৱারী শান্নহন্দুনা লাকখ্রবনি। অদুবু ঙসি ফাওবা মায়পাকপা ঙমদনা লাকখিবনি। লান লোইশিন্নবা নিংহন্নবা লৈতনা হোৎনরকপগী মনুং চন্না হন্দক দোনাল্ড ট্রম্পকী মীৎয়েং মখাদা মহাক্কী ওফিসিয়েলশিংনা ইজরেলগী লুচিংবশিংগা য়ান্না কুপ্না খন্নরবা মতুংদা হমাসকা সিজফয়ার তৌনবা য়াবগী ফিভমদা লাকখিবনি। অদুবু হৌজিকসু সিজফয়ার তৌরগনি হায়বা চপ চানা খঙবদি ঙমদ্রি।

## বঙ্করবষ্টর বোমগী এটেকতা ইরানদা মাঙ-তাকখি হায়বা য়াজখ্রে



তেহরান, জুলাই ০২ (এজেন্সি) :

ইজরেল অমদি ইরান লৈবাক অনিগী মরক্তা নুমিৎ ১২নি চুপ্পা চথুখিবা লানগী মনুং চন্না আমেরিকানা বি-২ বোম্বর শিজিন্নদুনা বঙ্করবষ্টর বোম থাদদুনা ইরানগী ন্যুক্লিয়ার প্লান্ট ৩ থুগাইখিবা অদুদা পাকশন্না অমাঙ অতা থোকখি হায়না অহানবা ওইনা ইরানগী ফোরেন মিনিষ্টর অব্বাস অরাঘচিনা য়াজখ্রে হায়রি।

পাউ অসিগী মতুং ইন্না আমেরিকানা বঙ্করবষ্টর বোম থাদদুনা ইরানগী ন্যুক্লিয়ার প্লান্ট ৩ পাকশন্না মাঙহন্নবা হোৎনখিবা অদুদা ন্যুক্লিয়ার প্লান্টশিং অদুদা কয়া য়ান্না অমাঙ অতা থোকখি হায়বা সিজফয়ার তুংদা ইরানগী অখন্নবা টিম অমনা য়ান্না কুপ্না থিজিনবা হৌখ্রে।

অখন্নবা টিম অদুনা ফোর্দো ন্যুক্লিয়ার প্লান্টদা থাদখিবা বঙ্কর বষ্টরবোম অদুনা কয়াম য়ান্না মাঙহনা তাকহনখি হায়বা ইরান গভর্ণমেন্টনা পীখৎলক্লগনি।

আমেরিকানা থাদখিবা বঙ্কর বষ্টর বোম অদুনা ইরানগী ন্যুক্লিয়ার প্লান্টশিং কদায় ফাওবা মাঙ তাকখি হায়বা মায়কৈ কয়াদগী তোঙান তোঙানবা ৱাফম ফোঙদোক্লরখিবা মরম্না চপ চানা কদায় ফাওবা মাঙ তাকখি হায়বা খঙদোক্লবা হোৎনবদা মতম খরদি চংখিবা য়াই।

ইরান মশামক্লসু অহানবদদি ন্যুক্লিয়ার প্লান্টশিং কাহেন্না মাঙ তাকখিদে হায়না ফোঙদোক্কুনা লান অসিদা ইজরেল মায়থিরে হায়না ফোঙদোরকখিবনি।

## গাজাদা পেলেষ্টিনিয়ান ৪৩ রোম হাৎখ্রে

গাজা, জুলাই ০২ (এজেন্সি) :

চহী ২ ফাজিলক্কদৌরবা হামাস অমদি ইজরেল অনিগী গাজাদা শোক্লরিবা লান অসিগী মনুং চন্না হৌখিবা পুং ২৪গী মনুংদা ইজরেল দিফেন্স ফোর্স আই দি এফনা লান দাদুনা গাজাদা পেলেষ্টিনিয়ান ৪৩ রোম হাৎখ্রে হায়রি।

পনবা য়াবদি লান অসিদা হৌজিক ফাওবগী ওইনা ইজরেলগী লান্মীশিংনা গাজাদা পেলেষ্টিনিয়ান ৫৬,৬৪৭ লোম হাৎখ্রে। লোয়নন্না লান অসিদা পেলেষ্টিনিয়ান ১,৩৪,১০৫ হেন্না অশোক অপন নংহনখ্রে হায়রি। গাজাগী লান খরা তপথরম্লবসু ইরানগা শোক্লখিবা লান হেক লোইখিবগা গাজাগী লান অমুক্কা হেন্না কনখৎলক্কুনা মীশি মিনা কাহন্না য়াওরকখিবনি হায়রি।

## য়ুক্রেনদা লানগী খূৎলাই পীরম্বা পেন্টাগননা থিংজিনখ্রে : রিপোর্ট





ৱাসিংটন, জুলাই ০২ (এজেন্সি) :

রসিয়াগা লান শোক্লরিবা লৈবাক য়ুক্রেনদা আমেরিকানা সপ্লায় তৌরম্বা লানগী খূৎলাইশিং লৈবাক অসিগী মিলিটরিগী খ্বাইদগী চাওবা ওথোরিটি অমা ওইরিবা পেন্টাগননা থিংজিনখ্রে হায়রি।

পেন্টাগননা য়ুক্রেনদা লানগী খূৎলাই পীবা থিংজিনখিবগী থৌওং অসি আমেরিকানা য়ুক্রেনদা শকখিবা ৱাশক অদু থুগাইখিবনি হায়না য়ুক্রেনগী লুচিংবশিংনা ফোঙদোরকখ্রে।

নিংশিংবা য়াবদি আমেরিকাগী হান্নগী প্রসিদেন্ট জো বাইদেননা য়ুক্রেনদা মতম পূম্বদা মতেং পাঙ্গনি হায়না ৱাশক্লমখিবনি। অদুবু ট্রম্পনা প্রসিদেন্ট ওইরকপদগী য়ুক্রেনদা অথিংবা কয়া থম্বা হৌরকখিবনি হায়নসু ফোঙদোরক্লি।